ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯰꯳, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, এপ্রিল ০৩, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ০০৮শুবা মশীং


# ঈশিংগী অৱাবা

## নোংগী ঈশিং য়োক্তুনা থম্নবা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎপা চুমগনি

মীওইবনা হিংবদা খ্বাইদগী মরু ওইনা চঙলিবা পোৎলমশিংগী মনুংদা ঈশিং হায়বসিসু অমনি। থকপখক্তা নৎতনা থোংবা-থাকপা, ফিশু-ফিজান্বা, ঈরুজ-মায়থজবা অমসুং মায়-মীৎ তাবনচিংবা হীরম অয়াম্বদা ঈশিং য়াওদনা য়াদে। পাৎ, তুরেল অমসুং পুখ্রিগী ঈশিং অকক্নবা চাংদা লৈবনি। মীওইবনা ঈশিং শীজিন্নরিবনা অয়ূক হেক য়াহৌবদগী নুমিদাং তুমদ্রিবফাওবনি হায়বা য়াই। চীঙ্গাক পুথোক্লুবা মহৈ-মরোং উবদসু ঈশিং চঙই। পাৎ, তুরেলগী ঈশিংনা কোন্নরক্তবদগী মফম খরদা লৈনুংদগী ঈশিং চিংথোক্লগা শীজিন্নবফাওবা য়াওরিবনি। চহী খূদিংগী ইন্দিয়াদা ঈশিং ক্যুবিক মিটর বিলিয়ন ২৩০ রোম লৈনুংদগী চিংথোক্লগা লৌউ-শিংউ অমসুং অতৈ হীরম কয়াদা শীজিন্নে হায়না তোঙান-তোঙানবা রিপোর্ট কয়ানা ফোঙদোক্লরি। অখঙ অহৈ কয়ানা থিজিনবদা লৈনুংগী ঈশিং পূম্নমক কংশিল্লকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে হায়বসু খঙলবনি। অমেরিকান জিওফিজিকেল য়ুনিয়নগী জর্নেল, 'অর্থ'স ফ্যুচর'দা ফোঙখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না কুমজা ১৯৯৬ কী মতুং তারকপদা লৈনুংগী ঈশিং চহীদা সেন্টিমিটর ৯১গী চাংদা কংশিল্লকপগী ফীভমদা লৈরে হায়রি। নোংজু থাদা নোং ফনা য়াম্না তারবসু লৈনুংগী অৱাৎপা ঈশিং মপূং ফানা মেনখৎপা ঙমদে। অমরোমদা ৱর্ল্ড ৱাটর ভিজনগী রিপোর্টনা হায়, মালেমদা ঈশিং লৈশিল্লক্তবগী খূদোংচাদবা অমা মায়োক্লরক্লিবসিগী মরুওইবা মরমদি মীওইবনা চেকশিন্দবা মওংদা য়াল্লবা ঈশিং অরেম্বদা মাঙহনবদগীনি। লৌউ-শিংউ, ইন্দষ্ট্রি, নৎত্রগা ইমুং-মনুংদা ঈশিং শীজিন্নবদা মথৌ তাবা চাংদগী হেন্দোক্তুনা অরেম্বদা মাঙহনবগী থৌওং ময়েক শেংনা উবা ফংলি। মীওই অয়াম্বগী ৱাখলদা ঈশিং হায়বসি মতম চুপ্পা ৱাৎপা লৈতনা ফংগদবা পোৎশক অমা ওইনা লৌনরি। খুঙ্গং কয়া সিটি ওইনা শেমগৎলকপা অমসুং মীওইবগী পূন্সি মহিং হোংলকপা মরম্না ঈশিং শীজিন্নবগী চাং অসুম-অসুম হেনগৎলকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরি।

মহৌশা লাইরেম্বীনা মীওইবা খুন্নাইদা পীরকপা লৈফম চাফমগী খ্বাইদগী নুংঙাইরবা মফমশিংগী মনুংদা মণিপুরসু অমনি হায়বা য়াই। মতম অমদদি চহী চুপ্পা নোং মরাং কায়না চুবা অমদি মীগী মশীং অদুক হাক্লা য়ামদবনা থক্ল-চানবা ঈশিংগী প্রোব্লেম থোইনা লৈরমদে। হৌজিক মালেমগী ওইনা অঙৈং-অশা, নোংজুগী চাং হোংলকপনা মরম ওইদুনা মণিপুরদসু নোংজু-নুংশাগী ফীভমদা অহোংবা কয়া লাক্লে। নিংথমথাগী মতমদা কা হেন্না ঈংলক্ত্রে। কালেন থাগী মতমদা শাবগী চাং হেনগৎলক্লে। হোংলক্লিবা ঈশিং-নুংশিৎ অমসুং নোংজুগী মওং মতৌ অসিনা হৌজিক মণিপুরদা মফম অয়াম্বদা তঙাইফদনা শীজিন্নদবা য়াদ্রবা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরি। ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরবা মতমদতা নোং করম কান্দা তাগনি হায়না হংনবগী মতৌ অমসু উরি। মসিমক্তি তৌহন্নিংদে। নোং মরাং কায়না চুরিবা লমদম অসিদা ঈশিংগী ৱাথোক লাকপা হায়বসি লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা পায়খৎপা থৌরাং থৌশিলদা অশোয়বা লৈবদগীনি হায়না লৌদবা য়ারোই। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা অপূনবা মীশিংনা নোংমদা ঈশিং কয়া য়াম্না শীজিন্নবগে হায়বসি ওফিসলশিংনা শোয়দনা খঙলমগনি। মরম অসিনা চহী ১দা ষ্টেট অসিদা ঈশিং কয়া য়াম্না মীয়াম্না শীজিন্নগদগে হায়বদু ইরায় লায়না খঙবা য়াই। মীয়াম্না মথৌ তাবা ঈশিংগী চাং অদুগী মতুংইন্না মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা থৌরাং থৌশিল পায়খৎপদা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লফম থোক্তে হায়না লৌই। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা তৌফম থোকপা মথৌ পুকচেল শেংনা তৌরক্তবনা অসিগুম্বা খুৎশেমগী ওইবা অৱাবা কয়া অসি মায়োক্লরিবনি। ঈশিংগী অৱাবা অসিনা মরম ওইরগা মীয়ামগী শেল-থুমগী ফীভমদসু চাউনা চৈথেং পীরিবনি। সনাদগী হেন্না তাঙই হায়না লৌবা য়ারিবা ঈশিং নীংথিনা শীজিন্ননবগী অখন্নবা থৌশিল অমফাওবা মণিপুরদা চৎনহনবা ঙমদ্রি। মতম অমদা ঈশিংগী ৱাথোক লৈরমদবা মণিপুরদা ঙসিদি ঈশিংগী ৱাথোক লাক্লিবা অসি করিগীনো হায়বা কুপ্না নৈনবা মতম ওইরে। ঈশিং লৈশিল্লক্তবনা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা কাঙলুপ মশেল ঈশিংগী ৱাহৌদা উংখৎনবগী ফীভমদা লাক্লবনি। লৈবাক অসিদসু ঈশিংগী ৱাহৌদা ষ্টেট অমগা অমগগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক থোকখিবা লৈখ্রে। মীয়ামগী থক্ল-চানবা ঈশিংগী নুমীৎ খূদিংগী মথৌ তাবনা ঈশিং তুংশিন্দুনা থমগদবা মফম তঙাইফদনা থিদোকপা চঙই। চহী চুপ্পা মণিপুর মীয়াম্না শীজিন্নবা কোন্নগদবা ঈশিং মাঙজৌননা য়োক্তুনা থমহৌসি। ঈশিংগী অৱাবা লৈহন্দনবা নোংগী ঈশিং য়োক্তুনা থম্নবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎপা চুমগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৫

১) "চীংয়া তময়া" (অহানবা ফোঙবা, ১৯৫৫) হায়বসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

২) "মেঘনাদবদ-কাব্য (সম্পূর্ণ)" হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকখি?

৩) "খম্বা থোইবী পুন্সি ৱারী অনীশুবা শরুক" হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?


৪) নিংথৌ "থাংয়ি তাওবুং খোংদৌবদগীনা য়োইকামু অতোনবা ফাওবগী মরমদা ইবা লাইরিক" অদু করি লাইরিকনো?

৫) "ঐদি আত্মাগী কন্সেপ্টতা থাজবা ঙমদ্রি; ঈশ্বরবু থাজবা ঙমদ্রি। ঐগী মাঙদা থোঙ অহুম লৈরে - আত্মা, ঈশ্বর অমসুং প্রকৃতি। থোঙ অনীদি হৌজিকসু লোল্লি অমদি হাংলে - অদুবু থোঙজিন কানশিল্লগা মনুং য়ৌশিনবদি ঙমদ্রি হাংলিবা থোঙ অসিসু।" কবি কনাগী ৱাহৈনো অমসুং কদাইদা য়াওখিবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# তূম্মিঙৈদা লাংবসিবু পাপ ওইরম্মোইদ্রা

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



নুমিদাং তূম্লমদাইদগী হৌরে ৱাপলদা উরেংকোম্থৌ য়াঙ্গোন অমনা থৌগল তৌরকপা। নোং ঙানবফাওবা লেপ্তুনা ঈশৈ শক্কদৌরিবা, করিবু হায়রিবনো ঐনা থরো-মাল্লো ওন দুনা লৈ ফমুংদা। নুংথিল মী পোং তূম্নদবা মতম অসিদা উরেংকোম্থৌনা অমুক তূম্বা ওইরিমাল্লে। উরেংকোম্থৌনা নোং ঙানবফাওবা খোইদৌ পায়দুনা ওৎখৈ ওৎলবা মতুংদা লৈকায়গী য়েনবারাবা ময়াম অমনা অমুক হৌনদুনা উরেংকোম্থৌদগী থৌদা শীল্লদুনা খোংজিল্লকপা, মথংদা অমুক শেন্দ্রাং হুম্ফুতরামুক্লা অমুক মহুৎ শিল্লকপা, অদুদগী অমুক অঙাং ময়াম লম্বীদা লাংলকপা, অদুদগী অমুক গাড়ী চেনবা হৌনরকপা তূম্বা শুকয়া য়াদনা অহিং অদুমা অদুম লেনখিবা খঙহৌদে। করি ইপাপকী ওইরজাৎনো সিবো খনবদা ঙল্লক্তে। উচেক ৱায়াশিংগী য়াম নুংশিবা ৱারী কয়া লৈরবসু মখোয়গীসু য়াম ফত্তবা মরমচৎ অমা লৈ। তাইবঙ মীগা মখোয়গা পাউ ফাওনদবনা ওইরিজাৎলা?

উরেংকোম্থৌ অমা মহৌশা নুমিৎ খুদিং ঐগী য়েম্থৌ মরক্তা নুংতিগী খোংদুনা ঐ তূম্বা য়াদবা চহী অমা য়াওখি। মাবু ঐনা নুংদাং হৌগৎতুনা তেংপাক লৈতুম থারগা তাল্লি ঙাইহাক তূমিন লৈ অদুবু অমুক ঙাইহাক লৈরগা হান্নগীগা চপ মান্নমা অদুম খোংলকই। নোংমদি অঙাং অমনা ঐঙোন দা উরেংকোম্থৌ অদু হাৎলগে হায়রে, ঐ অদুগীসু নুমিদাং অদুম তূমদে। ঐনা খল্লি, মসি হাৎপা য়াদে উরেংকোম্থৌ লাবা নৎত্রগা অমোম অমা মশক উখিদ্রে, মীনা হাৎপীরম্বা য়াই, মদুগী লেপ্পা লৈতনা তেংথাজবা ওইরিনি। ঐনা হাৎপা য়াদে হায়খ্রে অঙাংদুদা। অদুম উরেংকোম্থৌ মনীং তম্না ক্রো-ক্রো-ক্রো হায়না খোংজহল্লে। হৌজিক্তি উরেংকোম্থৌ মশীংসু য়ামশিল্লক্লবনিনা তূম্ফমদি খঙদ্রে।

শেন্দ্রাংশিংনা মালহৈ অমদি হৈনৌ পাম্বীশিংগী মসা মরক্তা মসা অমদগী মসা অমদা কোয়চোং চোংদুনা তোংদুনা শান্নজবদু ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদা য়াম্না নুংঙাইজখিবা শক্তম অমনি, শেন্দ্রাংশিংনা চেক চেক চেক হায়না ইপুবোক্কী অমনবা ঈনা কূপ্পা য়ূমজাওগী শাইজিন্দা খোংবা অমদি শেন্দ্রাং মচা ওনবদো ঐনা য়াম্না পামজখি, নুংঙাইজখি অদুবু ঙসিদি শেন্দ্রাং ময়াম অমনা পিক থল্লবা অসিদদি অৱাবা অমা ওইরে। হৌজিক্তি শেন্দ্রাংগী শেন্দ্রাং ঙাক্তা য়ূম থাদোক্লগা চেল্লসিরা খল্লক্লে, শেন্দ্রাং ঙাক্তা লৈজহৌরো হায়দনা। তূম্বা অসিদদি লৈবা ফংদ্রবা পোৎনি অদুবু মখোয় ময়াম্না শান্নপোৎতৌনা ফ্রীদা ফংবা পোৎতৌনা লৌরি।

মতম অমগী য়ু পিগী মীরুট সিটিদনি। নোং ঙাল্লমদাইনি। জুলাই-ওগষ্ট থাদা খোংবা কোকিল অসি চাম্মগী মথক ওইনি। কুরু কুরু হায়দনা। ঐনা ৱাখলনা মশীং পাদুনা য়েংলগনি চাম্মা হায়রিসি। রেদিও দ্রামা *মাধবী*গী কোকিলনা খোংবা অমা তাখিবদুদি ঙসিসু নৌহৌননা অমুক নীংশিংলক্লি কুরু কুরু হায়বা কোকিলগী নুংশিরবা, ঈংলবা মখোল। মীনদি কোকিল অসি কুহু কুহু কুহু হায়না খোংই হায়, ঐদি কুরু কুরু হায়না তাখি। ডা. কোমোলনা ইবা *মাধবি* উপন্যাসতগী শেমদোকপা রেদিও লীলা অমদা বিরেননা উরিরৈদা অসুম্না হায়, "নোংঙাল্লমদাইদা পুখ্রি মপালদা হৌবা লৈহাও পাম্বীদা তোংদুনা খোংলিবা কোকিল অদু ঐনি হায়না খনবীয়ু ঐনি হায়না খনবীয়ু"। নোংমা নুংদাং অমা কোকিলনা কুরু কুরু কুরু কুরু কুরু হায়না খোংলকই। য়াম্না নুংশিখি কোকিলগী খোঞ্জেল মখোল। ফজবদা কোকিলদগী হেন্না ফজবা লৈরমদৌবা লৈতে। হিন্দি ফিল্ম সরগমগী কোয়ল বোলি দুনিয়া দোলি শমজো দিল কি বোলি... হায়বা ঈশৈ অদুগী হৌরমদাইদা লক্ষ্মীকান্ট প্যারেলালনা খোঙবা কোকিল মখোল ঙসি ফাওবা কনানা কাউবা ঙমগনি। ক্বাকনি কোকিলগী মশক্তি। ক্বাক লৈশাবী ওইগেরা, ক্বাক মৌ শকহেনবী ওইগেরা ক্বাক হায়বা চেক্লা অসিমা মশক্কী জাৎতদি শুকফ হেক ফজদ্রে। মখোল হায়রা নাকোং মেনশিন্নীংই, মশক ফংঙে তিল শিৎনীংই, মরমচৎ হায়রা ফজদ্রে। অদুবু কোকিলদি মশক্তু ক্বাকতৌনা থীজরসু মখোঞ্জেল অদুদি নুংশি, থম্মোয় লাইয়ুম হুৎনা চঙবা ঙম্মী। কোকিল অসিসু মশীং য়ামশিল্লক্তবদগী অৱাবগী মশকনি।

কোকিলগী মখোল অসি *রূপ রাগকী* বাঁসিরোই টি গম্ভিরদি মাগী বাঁসিনা খোংদুনা কোকিল মান্না কোকিলগী খোঞ্জেল থোকহনবা ঙম্মী। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা য়াম্না ঙক্লা থোকপা মতৌনি। *মাধবি* লীলাগীনা করম্বা শৈহৈবা কনানা খোংবনো খঙজদে। টি গম্ভিরনা খোংবদি তশেং তশেংবা কোকিল অমা পাইদা পাইরক্লগা মনাক নকপা হৈনৌগী মশা থক্তা তোংদুনা কুহু কুহু হায়না খোংবসিঙাই। কোকিলদা য়াম্না ঙাওজরকই কোন্না মশক উরকই। মীরুটকী কোকিল ময়াম অদুনা শাখ্রবা কালেনগী মতম অদুগী নোংঙাল্লমদাইদা ফেন হুম্ল-হুম্লগা শাগৎপা হেনবা মতাং অদুদা মখোয় চাম্মরোম অদুনা খোংথরকপসি অৱাবা অমা ওইখ্রে। কোকিল চাম্মঙা চাক্রুকলোম শুরম্বসু ময়াই খল্লকই, মখোয় অদুনা য়াহৌ ঙন্না হৌগৎলগা কুহু কুহু হায়না হিকথদুনা শৈশক্তুনা লৈরবনিনা মীৎ উইশিনবা অদুম য়াদ্রে। য়ামদা য়াম্মল্লবসু মতাংনা চাদ্রসু কোকিলবু ফনা ফজনা হায়নীংলক্তে। ইম্ফালগী মসজিদ রোদতগী নৎত্রগা মোরে কৈথেলদগী নাওরি মরী ফজবা অমা লৈরগা কোকিল ময়ামদু কোয়তান কোয়তান তান্ননীংখি।

হৌজিক ঐনা তারিবসিনা শেন্দ্রাংগী, উরেংকোম্থৌগী মখোলনি। অহলনা শাবিরম্বা জিঙ্খগী য়ূমজাওগী লাইখলগী পলেল কারক্তুদা শেন্দ্রাং ময়াম মরূম কোক্লি, মচা ওল্লি। শেন্দ্রাং অসিসু য়াকাইরোল শকপদি য়াম ফৈ। মাগীদি পঞ্চম শুর লৈতে। নোংঙাল্লমদাইদগী হৌরে চেক চেক চেক চিন্দা অফা নুংঙাই ৱারী থোক্ত্রে মানা খোংবা তারগা। মীনা তানীংনি তানীংলোই খন্দে মখোয়। শেন্দ্রাং মচা য়াম ওল্লে শেন্দ্রাংসি হরাওজরিনি মখোয়দি। ঐনা ওইনা য়ূমসিদগী হোংলগা চৎপা তারব্রা হায়না খনবসু য়াওই। তূম্বনা য়াদ্রবদা তাদবা মখোল লৈরক্ত্রে। শেন্দ্রাংগী ৱা ঙাক্তসু নত্তে। য়ূমদা হুই লোয়বসু তল্লি, তাবা ৱাই, মতাং চাদনা খোংই। শ্রোৎ প্রেক লাউবা খুদিংগী গৌ গৌ গৌ। তূম্বা য়াদবা অৱাবগী মশকনি। মসি শেন্দ্রাংনা খোংলোই। অহিং চুপ্পা মায়েপ (মাইক) খোংবা লাউবা লাই-তীলগী নমাদা তোকপনা চুমলোইদ্রা? অহৌ অহৌবা খোঙনবা লাউনবা ময়াম তারি।

কুমসিদি থাবল চোংবা তাদ্রে। য়াম্না নুংঙাই। পাখঙ লৈশাবীশিংনবুদি থৱায় য়াম্না নুংঙাইরল্লোই। কোরোনা কিদবসু য়াদে। নাখ্রবদি য়াম্না শাথী। তূম্বা য়ানবা হোৎনবা য়াম্না ফবা থবকনি। লাইনসু য়ানি, মীনসু য়ানি। ●

# ইশানা ইশা নোক্নজবগী থাক য়ৌরকপা

**নবকুমার ওইনা**

লমায় অসিদা তোয়না নৈনখ্রব্রা খল্লি। ইশাগী মিং ফজবা কৌজবগী নুংঙাইজবদু ঙসিদি মপান্দা চৎপদা ইকায়রে, তল্লে। কনানা থোকহল্লিবনো? ইচে অমনা লাইরিক হৈবগী কৌবা ফজগনি খল্লুবদগীনি। ঙসিনা কাঙলূপ-ফুরুপ মুখুৎপদা য়াওবা ওইরম্লে। মণিপুর কৌরুবদগী হৌরগা ফুরুপ ওইনা মুখুৎপা, কৌরিবা লৈবাক্কী মিং অসিমক্লা ৱাথোক ময়াম শাগৎপা লেপত্রিবগী চৈথেং অদুম ফংনরি। ফজবনি, অচুম্বনি খনবা য়াওনবদগীনি, ঙসি ফাওবা লৈখাই তাবা ঙমদ্রিবগী ৱাথোক ওইনরি।

হন্দক্তা মণিপুরগী ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টরনা অসামগী লখিপুরদা মার্চ ২৫দা বি জে পিগী ভোট খোম্বা চৎলুবদা আমসু (ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন) না য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লিবসি মিংথোনগী অচৌবা চৈথেং অমনি। অসামিজ মণিপুরী লৈতে হায়রি। অসাম মণিপুরীগা অসামিজ মণিপুরীগা করম্বনা কনা ওইগদৌরিবনো খঙনরক্তবগী ৱাদুনি। হিন্দি নৎত্রগা অসামিজ হৈরুবগী ওইগদৌরিব্রা? অসামদগী হৌরকপা মণিপুরী কৌবা কাঙলূপ অমা লৈতে হায়রবদি চুম্বসু য়ারি। মণিপুরদা লৈবা মীবু মণিপুরী কৌরবদি মদুসু লৈফম থোক্তে। অসামদগী লাক্লগা মণিপুরদা লৈরবদি অসামিজ মণিপুরী কৌবা তারি। নেপালি মণিপুরী হায়বা লৈরে, মান্নরি। অসাম মণিপুরী হায়রগনা কনা ওইগদৌরি? মণিপুরদগী মার, কুকি, কবুই চৎলবসু মার, কুকি, কবুই অদুম কৌনরি। মণিপুরী কৌনদে, মশানসু শক তাকপদা মণিপুরী হায়নদে, করিগী ওইগনি। মৈতৈখক্তনা মণিপুরগী মপান্দা মৈতৈ হায়দনা মণিপুরী হায়বগুম তৌনরি, কয়ামুক হায়জনীংবনো? মৈতৈ মুখুৎপদা য়াওজবনি, মশাগী মমিং চুম্না খঙজদবনি হায়রক্লে। অসামিজ মণিপুরী লৈত্রবদি অসাম মণিপুরী লৈফম থোক্লিব্রা? অসাম মৈতৈ কৌবা লৈতবরা? মশানা মশাগী ফুরুপকী মমিং খঙনদ্রবদি মপা-মপু খঙবা ঙম্নগদৌরিব্রা? য়েৎনরিবসি মৈতৈলোন্দা নত্তে মণিপুরী কৌরিবা লোল অসিদনি। অসাম মৈতৈগা অসাম মণিপুরীগা য়াম্না খেন্নে। অসাম মণিপুরীদা মার, কুকি, তাঙ্খুল, কোম কয়া য়াওরি। মণিপুরী কৌজরিবশিংগী মরক্তা মদু খঙনদবা মাল্লক্লি।

অসামদা মৈতৈগী ক্বোটাদি শোয়দনা ফংগনি, মণিপুরীগী ক্বোটাদি ফংবা য়ারোই। মণিপুরী হায়বসি ফুরুপ অমগী মিংথোল নত্তে, ষ্টেট সিটিজেনশিপ অমনি। অসামদনা করি ওইনা লৌরিবনো হায়বসি ঙাঙনরিবসিদগী খঙবদি ঙল্লগনি খল্লি। মণিপুরগী মণিপুরীদা অসামগী মণিপুরীনা নোক্লিংবা ফাওরক্লিবা করিগী ওইগদৌরি? মী-মীনা নত্তে, ঙাঙনরিবা লোল চুম্লক্তবগী ওইগদৌরিবনি। লোলগী কয়াৎ শোয়রকপগী ঙাঙনবদসু অশোয়বা থোক্লকপনি হায়গনি। অসাম মণিপুরী হায়গেরা অসামিজ মণিপুরী হায়গেরা লোল অসিগী ৱাহৈ অমত্তবু য়াওদ্রি। চৈথেং ফংলিবসি মৈতৈখক্তদা ওইনা উরি, চীংগী মীয়াম্না তানীংবা ওইদে। মীসু মণিপুরী, লোলসু মণিপুরী, চীংগী মীয়ামসু মণিপুরী, জগোয়সু মণিপুরী, দ্রামাসু মণিপুরী, মণিপুরী য়াওশঙসু তোঙাল্লি। কয়াদা ৱাথোক ওইরবা ৱাহৈনো 'মণিপুরী'। মণিপুরী হায়বসি করি হায়বনো খঙবা ৱাশিল্লক্লি। অসামগী মৈতৈবুরা, তাঙ্খুলবুরা, নাগাবুরা, কুকিবুরা, ধর্ম্মসলাগী পঞ্জাবীবুরা? ৱাহন্থোক খঙনদ্রবদি লোল ফাওনবদসু ঙল্লক্তবনি হায়গনি। লোল অসি হৈরবনি হায়বশিংনসু তূমিন্না লৈবগুম উনরি। মণিপুরী হায়না খঙনরিবা ফুরুপ কয়াগী মীয়াম্বু মীওই খরনা লান্না লমজিংবগুম উরক্লি। মণিপুরী হায়বসি হৌরকফম লৈতবা থোঞ্জিনবা মিংথোল অমনি হায়বা হেক-হেক কাউনবগুম তৌনরি। মীগী লোল হৈবা শারুবদগীদি চোপ্পা নংনরে, ইচা-ইনাওশিংনা নোক্নরক্লে। মমৈদদি মৈতৈনা ঙাঙবা ৱাসি ইশোয় শোয়রক্লে। করি হায়রিবনো মখোয় মশেল য়েৎনরক্লে। অচুম্বা পুথোকপসু ঙমদ্রি হায়গনি।

তশেংবদি মশানা মশা মশক খঙনদবনি হায়বা য়ারে। য়ূম্নাক লৌরবশিংসু য়ূম্নাক্কী থবক শুদে, লাইনীংগী থবক শুবা ওইনা উরি। য়ূম্নাক লৌরবা, ফুরুপ অমদা য়াওরবদু কাউরবগুম, অরাপ্পা লমগী মী মাল্লকপা চাদা-নাওদা য়াম্না য়াওরিবগুম উহল্লি। মদুমক্লা লমদম অসিগী অপূনবগী শক্তম (য়ুনিটি) শাগৎপদা ফোংনা নৎত্রগা লোন্না চৈথেং পীরিবগুম উহল্লি। মসিমক্তি খুন্নাই অমা শাগৎপদা মপূং ফাদ্রিবগী খুদম ওই হায়গনি। মণিপুরদা ঙাঙনবনা লাল্লগা অসামদা ঙাঙনবনা চুম্বা তারিব্রা? অসামদা লৈবা মণিপুরীশিংগী ৱাকৎ হায়বসিবু করি হায়রিবনো? মণিপুরদগী মার কয়া, কুকি কয়া অসামদা লৈরিবা খঙদবা য়ারোইদৌরি। মখোয় মণিপুরী কৌখিগদ্রা, অসামী কৌরদ্রা? অসামী নাগাশিংগী ৱা অমসু লৈগনি। মণিপুরদগী চৎখিবা ওইরদি মণিপুরীগী ৱাথোক্লি হায়গনি। "অসামী-মণিপুরী-নাগা' কয়া অসামদা লৈরবগে? মখোয়না মণিপুরী হায়ব্রা, হায়দ্রগনা করিগী ওইগনি। অসামগী মৈতৈখক্তনা মণিপুরী হায়বদা কদায়দা চুমগদৌরিবনো?

মণিপুরদগী ওইরবসু অসামদা, ত্রিপুরাদা, বাংলাদেশতা, কানাদাদা, থাইলেন্দদা খুন্দাদুনা লৈখ্রবদি মণিপুরী কৌবা য়াদে, মৈতৈ ওইরগনা মৈতৈ, মার ওইরগনা মার, তাঙ্খুল ওইরগনা তাঙ্খুল, কোম ওইরগনা কোম হায়রদৌবনি। মমিং ফাওবা ফজনা থোনবা হৈত্রিবা ফুরুপ অমনা কুনমাথোইশুবা চহী চা অসিদা করি ফিরেপ লৌরকপা ঙমগদৌরি। হীরম অসিদা কনাসু চিন থোক্লা ঙাঙনবা ইতা তানদ্রিবা করিগী ওইগনি। মীতোপ্না নোক্লবিরকপা লায়রি, ইচা ইশুশিংনা নোক্লিংবা য়াবা ৱা ফোঙদোক্লরক্লবনি। লৈঙাক্কী ৱারেপ চুমদ্রি, লাইরিক হৈরবা হৈরবীশিংগী ৱা চুমদ্রি, পূন্না নৈনবসু তাদ্রি। অঙকপা হায়বদু ওইরি। নৈনদবগী মরম লৈরমগনি, পঙবা নৎত্রগা কিবা ওইগনি।

অরানবা ওইরগনা চুমথোকপা ঙমদবা, য়ূমথংনবনা তৌবা উদবা, খঙদ্রিবরা পাংদ্রিবরা খঙজিল্লক্ত্রে। বর্ম্মানা ম্যান্মার, বোম্বেনা মুম্বাই, মদ্রাজনা চেন্নাই ওনবা ঙল্লগা লমদমসিদবু ৱাখলদু খনবা, খঙবা মী লৈরে হায়গদ্রা? চয়েৎনবদা য়াওশিন্দুনা 'দুম লৈবা তারিব্রা? থোক লীলা হায়বা অমা লৈরম্বদুগুম থোকউ থোকউবা পংতৌদা তৌনবা মাল্লক্লি। য়াওশঙ থোকউ থোকউবা তৌবা মাল্লক্লি। ইশানা ইশাদা নোক্নদ্রা য়াওশঙ স্পোর্টসকুম য়েংলগা নোক্নদ্রা, নোকপা হন্থরগা অমুক ইদোম নোকচবা তারিব্রা? নোকপা লোয়রগা নোংমৈনা কাপথৎপা ফিল্মদু নীংশিংলকই। হিংবসিবু লীলা তাগদৌরিব্রা? ●